# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পি. মণিপুর লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা ঙরাং খনখ্রবা য়ুমাম খেমচান্দ মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরবা য়াই।

২) বি.জে.পি মণিপুর লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা মহাকপু খল্লকপগীদমক শ্রী খেমচান্দনা প্রধান মন্ত্রি য়াওনা কেন্দ্রগী লুচিংবশিং অমসুং এম.এল.এশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

অমসুং

৩) উখ্রুল জিলাগী মপিথেল চীংশাং পরেংগী লম একর ৩৮ লোমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

------

খোমচান্দ (এল)ঃ বি.জে.পি. মণিপুর লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা ঙরাং খনখ্রবা শিংজমৈ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. অমসুং হান্নগী মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা সরকার অমা ঙসি নুমিদাংৱইরম ৱাশক লৌরবা য়াই।

ঙরাং বি.জে.পিগী নেসনেল হেদক্বাটরদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শ্রী খেমচান্দবু য়েৎনবা নৈতনা বি.জে.পি. মণিপুর লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

মীফম অদুদা বি.জে.পি. মণিপুর লেজিসলেচর পার্টিগী সেন্ত্রেল ওবজার্ভর তরুন চুগ, বি.জে.পি নোর্থ ইষ্ট কোওর্দিনেতর ডাঃ সম্বিৎ পত্র অমসুং বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এধিকারিময়ুম সরদা দেবী শরুক য়াখি। নৌনা মুখ্য

মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগদবা শ্রী খেমাচন্দ য়াওনা ঙরাং মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এন.দি.এগী এম.এল.এশিং হৌজিক দিল্লিদা লৈরি। মখোয় ঙসি ইম্ফালদা থোরক্লগনি। তুংদা শ্রী খেমচান্দবু লোক ভবনদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ৱাশক লৌরবা য়াই।

অমরোমদা, বি.জে.পি মণিপুর লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা মহাকপু খল্লকপগীদমক য়ুমাম খেমচান্দনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন অমসুং দল অসিগী এম.এল.এশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- মঙোনদা শিন্নবীরক্লিবা দাইত্ব অসি ইকায় খুমবগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা থবক তৌনবা হোৎনগনি। মণিপুরদা শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরক্কুনা ভিক্সিত ভারত অমসুং ভিক্সিত মণিপুরগী মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। রাজ্য অসিদা লৈরিবা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরক্কুনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাকবা হোৎনগনি হায়না মখা তারি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, হিল এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন দিনগাংলুং গাংমৈ, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা এম.এল.এ কয়ানা শ্রী খেমচান্দবু লুচিংবা ওইনা খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

মরক অসিদা ইন্দিপেন্দেন্ট এম.এল.এ- শাপম নিসিকান্টনা শ্রী খেমচান্দবু লুচিংবা ওইনা খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়- শ্রী খেমচান্দ অসি রাজনিতি লমদা নিংথিনা খঙলবা লুচিংবা অমনি। চীংমীশিংগসু মহাক্কা অচেৎপা মরী লৈ। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগা খুৎশমনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা মহাকপু লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা দিল্লিগী মীফমদা মহাকপু হোমগী থবক পুননবা খল্লকপদা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা বিষ্ণুপুর কেন্দ্রগী এম.এল.এ- গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা, শান্তি অমদি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা

কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌগনি।

যুমাম খেমচান্দবু লুচিংবা ওইনা খল্লকপদা বি.জে.পি নোর্থ ইষ্টকী কো-ওর্দিনেতর ডাঃ সম্বিৎ পত্রনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী মপিথেল চীংশাং পরেংদা লৈবা থৱায় কুকি খুলগী অকোইবগী লম একর ৩৮ লোমদা আইন কায়না থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- পোপ্পি থাবদা শিজিন্নবা খাংপোকশঙ ১০ সু মৈ থাদুনা মাংহনখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্বাল অৱাং লৈকাইদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল ৬, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ৬৪, গ্রেনেদ ১, ট্যুব লোঞ্চিং দিভাইস অহুম য়াওরি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী শঙাইকোট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তুইলেলোন খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা বস অমা খামদুনা চ্যেক তৌরুবদা মীওই অমা কানি কিলোগ্রাম ৫৭ কা কোন্ননা ফারে। মখা তানা থিজিনবদা ড্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা নুপী অমসু ফাখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশামথোং টোপ লৈরক্তগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদরনি হায়বা মীওই অমসু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফাখি।

ফোরেষ্টঃ কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-ভুপেন্দ্র য়াদবনা সভাপতি ওইদুনা ৪৩ শুবা সেন্ট্রেল জ্ ওথোরিতিগী মীফম ঙরাং ন্যু দিল্লিদা হৌদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী য়াদবনা হায়- মীফম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা জ্শিং নীংথিনা ঙাক

শেন্নবা অমসুং শেমগৎ শাগৎনবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিব জশিং নীংথিনা খঙদোক্তুনা মতৌ করমা চল্লাইরিবগে হায়বদু য়েংশিন্নবসু পাউতাক পীখ্রে।

সংসদ ঃ হৌজিক চত্থরিবা সংসদ মীফমদা লোক সভাগী সদস্য ৮, হাউসকী চৎন কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক চত্থবগীদমক বজেট সেসন লোয়বা ফাওবা সসপেন্দ তৌখ্রে।

সসপেন্দ তৌখিবা সদস্যশিং অদুদা কংগ্রেসকী তরেৎ অমদি সি.পি.আই (এম) গী অমা য়াওরি। সংসদতা ঙসি কয়ারক হন্না চরাংনবা থোকপদগী হঞ্জিন হঞ্জিন মীফম য়ৈথোকখি। বিরোধি দলগী সদস্যশিংনা ভারত-চাইনাগী মরী অমসুং ভারত-আমেরিকা অনিগী মরক্তা য়ান্নখিবা ত্রেদ এগ্রীমেন্টকী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চরাংনবা কয়ারক থোকখি। লোক সভাগী মীফম অহুমলক য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং অহুম তাবা মতমদা অমুক হন্না মীফম চত্থখি। মদুদা, বিরোধি দলগী সদস্যশিংনা য়ানিংদবা কয়া ফোংদোক্তুনা চরাংনবা থোকপগা লোয়ননা হাউসতা চে-চাং লংখায়বনচিংবা তৌরকপদগী প্রিসাইদিং ওফিসারনা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা সসপেন্দ তৌখিবনি।

### ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

যুমাম খেমচান্দবু বি.জে.পি লেজিসলেতিভ পার্তিগী লুচিংবা ওইনা ঙরাং দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা খনখিবা, মহাকপু ঙসি রাজ্য অসিগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই হায়বা পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- শিংমৈগী য়ুমাম খেমচান্দনা মণিপুরগী ১৩ শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি, দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর অনি থম্লবা য়ারি অমদি কাংপোকপী এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী নেমচা কিপগেননা ওইগদৌরি হায়বা পাউ অসি বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তনা- খেমচান্দবু বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখ্রে। চীফ মিনিষ্টর য়াওনা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর ওইনা এম.এল.এশিং ঙসি ৱাশক লৌরবা য়াই হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা খেমচান্দ লিদর ওইনা খনখ্রে, ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা ৱাশক লৌরগনি হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা গভর্নমেন্ট থমবা খেমচান্দবু লুচিংবা খনখিবসি ইরাং অসিগী তাঙ্কক অমা লোইশিনবনি হায়না লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদাা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা খেমচান্দ ঙসি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি। নেমচা কিপগেননা দিপ্যুতি সি.এম ওইগদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজা সনাজাউবা লৈশেম্বনা হান্না মমাংদা পাল্লম্বা য়ু.পি.এ গভর্নমেন্টনা নোর্থ ইষ্টতা তংদু লৈতাদবা ফিভম পুরকখি হায়না মরাল শিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খেমচান্দ খনখ্রে, মহাকা চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি, কুকি-জো এম.এল.এশিংগী মরক্তা মোৎ খেন্নবা থোরক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- বোসেমগী পেপর স্কাম, দেসামগী থৌমীশিংনা বোসেমগী ওফিস বিল্ডিং তমা থোমজিনখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লবসু মণিপুরগী মহৌশাগী ইং তপ্পা ফিভমদা হঞ্জিল্লকপদি ৱাখিগনি হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোলেন্দ খুলদা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপখ্রে, নেমচা কিপগেনবু দিপ্যুতি সি.এম. ওইহনগনি হায়বগী হরাউরিব্রা নত্রগা লৈঙাক শেম্বদা য়ানিংদ্রিবরা

হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- এন.পি.এফকী এম.এল.এ- লোসি দিখো দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- সেন্তরনা রাজ্য অসিগী দিজাষ্টর রিলিফকীদমক লুপা কোতি ৬২৯ হেনবগী শেনফম থাদোরকখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- হান্নগী মণিপুর বিধান সভাগী স্পিকর ওইরম্বা ৱাই. খেমচান্দ মণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------